# দিমোনেটাইজেসন শৌগৎলকপগীদমক মীয়াম্বু প্রাইম মিনিষ্টরনা থাগৎখ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৮(এজেন্সী): দিমোনেটাইজেসনগী অহানবা কুমওন নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী মীওই ক্রোর ১২৫ বু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে। শেঞ্জা-থুমজা অমসুং ব্লেক মনিগী মায়োক্তা লৌখৎপা থৌরাংদা মপূং ফানা শৌগৎলকপগীদমক মীয়াম্বু থাগৎপা ফোঙদোকখিবনি।

কুমজা ২০১৬ কী নবেম্বর ৮ দা য়াম্না থাজদবা মওংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হান্নগী অরিবা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনদ্রে হায়না লৈবাক মীয়ামদা লাউথোকখি। মিনিট ৪০ রোম মীয়ামদা ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্না হায়খি, নবেম্বর ৮গী অহিং নোংয়াইদগী লুপা ৫০০ চৎপী অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী মখা তানা চৎনররোই। নবেম্বর ১০ দগী হৌরগা দিসেম্বর ৩০ ফাওবা নুমিৎ ৫০ নিগী মনুংদা মীয়াম্না চৎনখিদ্রবা শেনয়েকশিং বেঙ্ক নৎত্রগা পোষ্ট ওফিসতা দিপোজিট তৌগদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা হায়খ্রে মদুদি, দিমোনেটাইজেসননা মরম ওইরগা জম্মু এন্দ কাশ্মীর অমসুং ছটিশগরদা লোন্না শেল থাদবগী থৌওং মপূং ফানা থিংবা ঙল্লে।

লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবগী পান্দমদা লৌখৎখিবা থৌরাং অসিনা মপান লৈবাক্তা থৈদোক্তুনা থল্লম্বা ব্লেক মনি পূম্নমক খঙদোকপা ঙম্বগা লোয়ননা জালি নোট লল্লোনবা কাঙবুদা চৈথেং অমা পীবা ঙল্লে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

গভর্ণমেন্টকী রিপোর্ট অমনা হায়খি, দিমোনেটাইজেসন মতুং তারকপদা লৈবাক অসিগী অপূনবা শেনফমগী চাদা ৩৩ দিপোজিট তৌরকখি। অরানবা মওংদা শেল তাল্লম্বা মমিংতগী ওইনা লৈবা কম্পেনি লাখ ২.২৪ গী রেজিষ্ট্রেসন ককখিবগা লোয়ননা অরোনবা মওংদা ট্রান্সসেক্সন তৌরম্বা কম্পেনি ৩৫,০০০গী বেঙ্ক একাউন্ট ৫৮,০০০ মশক খঙদোকপা ঙল্লে হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, দিমোনেটাইজেসনগী মতুং তারকপদা লোন্না থমজিল্লম্বা লুপা ক্রোর লাখ ৩ লোম বেঙ্কিং সিষ্টেমদা চঙলকখি। মমাঙ চহীদা শেনয়েক অনী চৎনদ্রে হায়না লাউথোকখিবা মতমদা মালেমগী মীপূম খূদিংমক অঙকপা পোক্লখি। মতমদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টকী অরোয়বা মতম লাক্লে হায়না লৌনখি। অদুবু লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওই ক্রোর ১২৫ না মপূং ফানা শৌগৎলকপদগী প্রাইম মিনিষ্টরনা লৌখৎখিবা থৌরাং অদুগী মহয় ফংবা হৌরে হায়রি।

মোদিনা হায়খি, দিমোনেটাইজেসন মতুং তারকপদা লুপা ক্রোর লাখ ১.৭৫ বেঙ্কশিংদা থমজিল্লকখিবগা লোয়ননা মশাগী শেন্থোক্না চান্নদবা মওংদা কা হেন্না শেল তাল্লম্বা মীওই লাখ ১৮গী মথক্তা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা হৌখি। হায়রিবা মীওই লাখ ১৮ অদুগী মনুংদা মীওই লাখ ৪.৫ দি মশাগী অশোয়বা শেমদোকচরে। মপূন্সিদা অমুক্তা ফাওবা টেক্স থীখিদ্রিবা মীওই লাখ ১ রোমসু টেক্স থীহনবা ঙল্লে। মমিংতগী ওইনা লৈরম্বা কম্পেনি লাখ ১.৭৫ থিংজিনখিবগা লোয়ননা বেনামি প্রোপর্টি ক্রোর ৮০০ ওঠোরিটিশিংনা লৌশিল্লে।

# দিমোনেটাইজেসনননা মীওই মিলিয়ন কয়াদা অচৌবা চৈথেং পীখি : রাহুল গান্ধী



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৮(এজেন্সী): দিমোনেটাইজেসনগী অহানবা কুমওন নুমিৎতা কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা হায়খ্রে মদুদি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই) তান্নরম্বা তৌদনা লৌখৎখিবা থৌরাং অমনা লেবর সেক্টর মাঙ-তাকহল্লে।

অপীকপা অমদি ময়াই ওইরপ্পা বিজিনেস কয়া মুথৎখিবগা লোয়ননা মীওই মশীং থীঙমদনা থবক ফংহনখিদ্রে। শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবগী থৌওংনা লৈবাক অসিগী মীচম মীয়ামদা খ্বাইদগী তমথীবা মওংদা চৈথেং পীখি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

রাহুল গান্ধীনা হায়খি, লুপা ৫০০ চৎপী অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনহনখিদবা থৌওং অদুনা ফীভম ফগৎলক্লিবা ইন্দিয়াগী ইকনমিদা মালেমগী মীয়াম্না থাজবা মাঙহন্নবগী মরম ওইখি। লৈবাক্কী গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জি দি পি) চাদা ২ হন্থহনখিবগা লোয়ননা লেবর সেক্টর মাঙ-তাকহনখি অমসুং লল্লোন-ইতিক মচা-মচা তৌজরিবশিং মুথৎপীখি।

চাইনানা মালেমদা মতিক ময়াই লৈবা লৈবাক অমা ওইরকপগী মতাংদা রাহুল গান্ধীনা হায়খি, ইন্দিয়ানা মাইক্রো, স্মোল অমদি মেদিয়ম বিজিনেস য়োকখৎলবদি চাইনাদগী মাঙজিল থাবা ঙমগনি। অদুবু শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবা থৌওং অদুনা লল্লোন-ইতিক মচা-মচা তৌজরিবা মীওইশিং কোক্তা খূৎ হাপ্পুনা খাঙহনখি।

অমরোমদা, দি এম কেগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এম কে ষ্টেলিননা হায়খ্রে মদুদি, এন দি এ গভর্ণমেন্টনা লৌখৎখিবা শেনয়েক থিংবগী থৌরাং অদুনা মীচম মীয়ামদা অৱাবা চৈথেং পীবা নৎতনা অতোপ্পা হীরম অমত্তদা কান্নবা ফংখিদে।

শেনয়েক চৎনহনখিদবগী কুমওন নুমিৎতা পাঙথোকপা ব্লেক দেগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা ষ্টেলিননা হায়খি, লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনহনখিদবনা মীচম মীয়ামদা মরম চাদনা অৱাবা পীখি। নুমিৎ কয়ানিরোম মীয়াম্না বেঙ্ক অমসুং এ টি এমশিংগী মমাঙদা পরেং শানা লেপখি। মীওই খরদি ক্যু লেপ্লদা শিবা য়াওখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা দিমোনেটাইজেসনগী অশোয়বা খঙজগদবনি হায়না হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মহাক্না হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টরনা মশাগী অশোয়বা খঙজবগা লোয়ননা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই। দিমোনেটাইজেসনগী মতাংদা পোলিটিক্স তৌবগী মতম হেনখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টরনা মশাগী অশোয়বা খঙজদুনা ইকনমিগী ফীভম ফগৎহন্নবগী মতাংদা মীয়ামগী মতেং লৌগদবনি।

দিমোনেটাইজেসনবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবগী থৌওংনা মীচম মীয়ামদা অচৌবা চৈথেং পীখি। অশোয়বা খোঙথাং অদুনা হীরম খূদিংমক্তা লৈবাক অসিবু শোথরক্লবগী মরম ওইহনখি।

লৈবাক্কী গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জি দি পি) য়েংলগা দিমোনেটাইজেসনগী চৈথেং ইরায় লায়না খঙবা ঙল্লে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, খুন্নাইগী শোথহৌরবা কাঙলূপ্তা অকনবা শাফু পীখিবা থৌওং অদুনা লল্লোন-ইতিক মচা-মচা তৌজরিবা মীওইশিংবুসু অৱাবা তাহনখি।

অমরোমদা, যুঠ কোংগ্রেসকী ৱার্করশিংনা লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা লৈবা আর বি আইগী ওফিস মমাঙদা দিমোনেটাইজেসন য়ানিংদবগী খোঙজং চঙশিনখ্রে।

মমাঙ চহীদা শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবা অমসুং লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা জি এস টি রেজিম চৎনহনখিবগী মতাংদা যুঠ কোংগ্রেসনা খোঙজং চঙশিনখিবনি। হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর পি চিদম্বরমনসু শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবা এন দি এগী থৌওং অদু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

# প্রদ্যুমান থাকুর হাৎপদা চেন্নবা মীওই সী বি আইগী কষ্টদিদা নুমিৎ হুম্নিগী রিমান্দ পীখ্রে



গুরুগ্রাম, নবেম্বর ০৮(এজেন্সী): গুরুগ্রামগী র‍্যান ইন্টরনেসনল স্কুলদা প্রদ্যুমান থাকুর কৌবা ক্লাস টু তম্বদা ঙাইরিবা মহৈরোয় অমা হাৎখিবগী থৌদোক্তা মপূং ওইনা চেন্নবনি হায়বা মীওই অমা সী বি আইগী কষ্টদিদা নুমিৎ হুম্নিগী রিমান্দ পীখ্রে।

গুরুগ্রামগী জুভেনাইল জষ্টিশ কোর্টনা মশাগী চহী ১৬ লোম শুরবা মীওই অদু সী বি আইগী কষ্টদিদা নুমিৎ হুম্নি থম্নবা খঙহনখিবনি।

প্রদ্যুমান থাকুরগী ইমুং-মনুংগী মায়কৈদা লেপখিবা উকিল সুশিল টেক্রিৱালনা হায়খি, চেন্নবা মীওই অহল অমা ওইনা লৌবগা লোয়ননা ট্রাইএল চথুরগা থৌরী য়ান্দুনা শিবগী চৈরাক পীগদবনি।

প্রদ্যুমান থাকুর হাৎখিবগী থৌদোক্তা মপূং ওইনা চেন্নৈ হায়বগীদমক স্কুল অসিমক্তদা ক্লাস এলেভেন তম্লিবা মীওই অমা সী বি আইনা ফাখি। স্কুলগী এগজাম য়েথোকহন্নবগী পান্দমদা মহৈরোয় অদুনা প্রদ্যুমান হাৎখিবনি হায়রি।

মহৈরোয় অসিনা মশাগী চহী ৭ শুবদা ঙাইরিবা প্রদ্যুমান থাকুর হাৎখিবগী মতাংদা মরাল য়াজবা লৈখ্রবনি। হায়রিবা মীওই অসি লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং পুং ১১ তাবদা সী বি আইনা সোহনা রোদতগী ফারগা নুমিৎ চুপ্পা ৱাহং-পাউহং চথুবদা মশাগী মরাল য়াজখিবনি।

প্রদ্যুমান থাকুরবু মঙক্তা লেন্থৎলগা হাৎতোক্লম্বগী মতাংদা মীওই কয়ানা স্কুলগী কেম্পস মপান্দা খোঙজং চঙশিল্লকপা লৈখ্রবনি। খোইশাউনরবা মমা-মপা কয়ানা স্কুল মনাক্তা লাক্তুনা থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা চথুরিবা ইনভেষ্টিগেসনদা পেন্দবা ফোঙদোকখি।

খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীয়াম্না স্কুল মনাক্তা লৈবা যু য়োনফম অমা মৈ থাদুনা অমাঙ-অতা থোকহনখি। পুলিসনা খোইশাউনরবা মীয়াম্বু চৈনা কন্দুনা তানখায়খি। প্রোটেষ্টরশিংনা অঙাং হাৎপদা চেন্নবা মীওই ফাগদবনি অমসুং স্কুল মেনেজমেন্টকী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎকদবনি হায়না তকশিনখি।

অমরোমদা, অঙাং শিখিবগী মতাংদা স্কুল মেনেজমেন্টকী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা শেম শারে হায়না হরিয়ানাগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রাম বিলাস শর্ম্মনা ফোঙদোকখ্রবনি।

র‍্যান ইন্টরনেসনল স্কুলদা মহৈরোয় শিখিবগী মতাংদা হরিয়ানা পুলিসনা নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা চার্জসীট ফাইল তৌরগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। ক্লাস টু তম্লিবা মহৈরোয় অমা হাৎখিবদা চেন্নবনি হায়বা স্কুলগী বস কন্দক্টর অমা নুমিৎ হুম্নিগী পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ পীদুনা ৱাহং পাউহং চথুবসু লৈখ্রবনি।

# হাইদ্রবাদতা মথং চহীগী জান্যুৱারী ফাওবা শেল নিবা থিংখ্রে

হাইদ্রবাদ, নবেম্বর ০৮(এজেন্সী): মীচম মীয়াম অমদি গাড়ী চৎথোক-চৎশিনদা অপনবা পীবগী থৌওং থিংনবগী পান্দমদা হাইদ্রবাদ সীটিগী পুলিস কম্মিস্নরনা সীটি অসিদা থা ২ চুপ্না শেল নিবগী থৌওং চথুবা য়ারোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পুসিল কম্মিস্নরনা থোকখিবা নোটিশ অমনা হায়খি, মীওই খরনা লম্বী ময়াইদা অচৎ-অওকশিংদগী শেল নিবা মরম্না লম্বী চিনবা হেনগৎহনখি। মী চিনখৎলকপা মতমদা মীয়াম্না থেংনরিবা খূদোংচাদবশিং কোকহন্নবগী পান্দমদা থা ২ চুপ্না হাইদ্রবাদতা শেল নিবগী থৌওং চথুবা য়ারোই হায়না অথিংবা পীখিবনি।

হাইদ্রবাদ সীটিগী কম্মিস্নর ওফ পুলিস মহেন্দ্র রেদ্দিনা হায়খি, ক্রিমিনেল প্রোসিজরগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা অথিংবা থমখ্রবনিনা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা লম্বীদা অচৎ-অওক তৌরিবা মীওইশিংদগী শেল নিবা য়াররোই।

ঙসি অয়ূক পুং ৬ তগী চৎনবা হৌখ্রবা অথিংবা থম্বগী থৌওং অদুনা লম্বী চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংদা খূদোংচাবা ফংহল্লগনি। অথিংবা অসি কুমজা ২০১৮ গী জান্যুৱারী ১ গী অয়ূক পুং ৬ ফাওবা চৎনখিগনি হায়রি।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ইন্দিয়াদা শেল নিবা মীওই লাখ ৩ লোম হেন্না লৈ হায়রি। হায়রিবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা মীওই চাদা ২১ দি ইবা-পাবা ঙম্মী। লাইরিক হৈরবসু থবক ফংদবদগী তঙাইফদনা মীওই কয়া লম্বীদা থোরক্তুনা অচৎ-অওকশিংদগী শেল নিবা হৌরকখি।

মহৈ হৈবা মীগী মশীং য়ামখৎলক্লবসু শেন্থোক লম্বী লৈতবনা মীওই কয়ামরুম শেল নিবগী শিনফমদা খোঙ থাংজিল্লকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী স্কিল ইন্দিয়া ইনিসিএটিবকী মখাদা কুমজা ২০২২ ফাওবগী মনুংদা মীওই ক্রোর ৪০ রোম তোঙান-তোঙানবা হীরমদা মখূৎ-মশা হৈবগী ট্রেনিং পীগদৌরি।

# দিল্লিগী মহৈ তম্ফম লোইশঙ পূম্নমক নোংমাইজিং ফাওবা থোঙ লোনখিগদৌরি

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৮(এজেন্সী): চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা লুচিংবা এ এ পি গভর্ণমেন্টনা দিল্লিগী স্কুল অমদি কোলেজ পূম্নমক নোংমাইজিং নুমিৎ ফোওবা থোঙ লোন্নবা খঙহনখ্রে।

পোল্যুসন থোকপগী চাং ৱাংখৎলকপদগী মীয়ামগী পূন্সিদা খূদোংথীবা থোক্লকপা য়াই হায়না চিংনবদগী দেপ্যুটিচীফ মিনিষ্টর মনিশ সিসোদিয়ানা হীরম অসিগী মতাংদা ওর্দর অমা থোক্তুনা মহৈতম্ফম লোইশঙ পূম্নমক থোঙ লোন্নবা খঙহনখি।

দিল্লিগী নুংশিৎ কা হেন্না মোৎশিল্লকপগা লোয়ননা নুংশিৎতা য়াওবা অমোৎপা পি এম ২.৫গী চাং য়ৌরকখি। ঙসি অয়ূক দিল্লি অমদি অকোয়বগী মফমশিং লৈচিল-নোংফাই থাংবদগী মীয়াম্না উবা ঙম্বগী চাং হন্থখি। মদুনা মরম ওইরগা ট্রেন অমদি ফ্লাইট সার্ভিসতা চাওনা অপনবা থোকহনখি। দিল্লিদা থুংলগদবা অমসুং দিল্লিদগী পাইখিগদবা ট্রেন অমদি ফ্লাইট ৩০ রোম মতম থেংথহনখি।

পোল্যুসনগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলকপদগী দিল্লিদা ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন (আই এম এ)না পব্লিক হেল্‌ঠ ইমর্জেন্সি লাউথোকপা লৈখ্রবনি। স্কুলশিং থোঙ লোনশিনবগা লোয়ননা মীপূম খূদিংমক ময়ূম-ময়ূমদগী মপান থোরক্তনবা আই এম এনা খঙহনখি।

দোক্তরশিংগী এসোসিএসন অসিনা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালদা পীশিনখিবা অইবা চেরোল অমদা নবেম্বর ১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা এয়রটেল দিল্লি হাফ মরাথোন কেন্সেল তৌনবা তকশিনখি।

নুংশিৎ মোৎশিল্লকপগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলকপা মরম্না হাফ মরাথোন চেনবদা খূদোংচারোইদবনা থৌরম অসি য়েথোকপা মথৌ তাই হায়না আই এম এনা ফোঙদোকখি।

দিল্লিদা কা হেন্না লৈচিল-নোংফাই থাংবগা লোয়ননা নুংশিৎ মোৎপগী চাং কা হেন্না ৱাংলম্বা থেংনখি। উবা ঙম্বগী চাংসু অঙকপা ফংনা হন্থরকখি। নোংম-নীনিগী মমাঙদগী হৌনা নুংশিৎতা য়াওবা অমোৎপা অমসুং ঈশিং মনিল পূনশিল্লগা সীটিগী মফম অয়াম্বদা অমম্বা লৈচিল-নোংফাই থাংখি। যুমলোন্নবা ষ্টেটশিংদা অকঙবা মনা-মশিং মৈ থাবদগী দিল্লিদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হেনগৎলকপনি হায়রি।

সেন্ট্রেল পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ (সী পি সী বি)না পোল্যুসনগী চাং ওন্দুনা য়েংবদা নুংশিৎতা য়াওবা অমোৎপগী চাং কা হেন্না ৱাংলম্বা থেংনখি। ইষ্ট দিল্লিগী দিলসাদ গার্দেনদা এয়র ক্বালিটি ইন্দেক্স (এ ক্যু আই)৪২০ য়ৌরকখি। অনন্দ বিহারদদি এ ক্যু আইগী চাং ৩১৯ য়ৌখি। দিল্লিগী ওইনা নুংশিৎ খ্বাইদগী মোৎপা মফম পঞ্জাবী বাঘনা ওইখি। মফম অসিগী এ ক্যু আই ৯৯৯ নি। আর কে পুরমগী এ ক্যু আইনা ৮৫২ নি হায়রি।

চৈরকসিদা, নেসনল গ্রীন ট্রাইব্যুনেল (এন জি টি)নসু ইমর্জেন্সি লাউথোকখিবগা লোয়ননা নুংশিৎ মোৎশিল্লকপগী মতাংদা করি করম্বা থৌরাং লৌখৎলবগে হায়বদু খঙহল্লক্লবা উত্তর প্রদেশ, পঞ্জাব, হরিয়ানা অমসুং দিল্লি গভর্ণমেন্টতা য়াথং পীখ্রবনি। নবেম্বর ৯ ফাওবগী মনুংদা ষ্টেটশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা পাউখুম পীরক্কদবনি হায়রি।


## ꯀꯥꯡ/ WALLET LOST

I have lost my Wallet containing Service Identity Card issued by D.G. 1st MR-012010408 H.Q. Company, PRAN Card, PAN Card, TEENS Card and Aadhaar Card at Polo Ground Maning, Imphal on 8/11/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Charanga Kelvin Maring**
Kampang Khunou ☎ **8974248748**

HL-P/3030/9


## COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

### N O T I F I C A T I O N

Imphal, the 8th November, 2017

**No. 2/56/96-HSC:** It is, hereby, informed to all concerned that the application forms for the ensuing Class XI and Higher Secondary Examination, 2018 in respect of the enrolled students only can be had from the Council office with effect from the 10th November, 2017 on payment of Rs. 60/- per form on all working days between 10.00 a.m. and 2.00 p.m.

All the concerned Heads of the Institutions are, therefore, requested to collect the required forms of their respective institutions and submit the same after proper completion along with necessary fees and other relevant documents on or before the dates mentioned below :-

**Higher Secondary Examination :**

| SL. NO. | PARTICULARS | LAST DATE OF SUBMISSION |
|---|---|---|
| 1. | Without fine | 07-12-2017 |
| 2. | With a fine of Rs. 300/- per candidate | 22-12-2017 |
| 3. | With a fine of Rs. 400/- per candidate | 29-12-2017 |

**Class XI Examination :**

| SL. NO. | PARTICULARS | LAST DATE OF SUBMISSION |
|---|---|---|
| 1. | Without fine | 05-12-2017 |
| 2. | With a fine of Rs. 300/- per candidate | 20-12-2017 |
| 3. | With a fine of Rs. 400/- per candidate | 28-12-2017 |

*Sd/-* **Dr. Maisnam Bidyasagar**
*Secretary*, Council of Hr. Sec. Edn., Manipur,
Imphal, the 8th November, 2017

HL-B/4208/9


## ꯀꯥꯡ/ ADMIT CARD LOST

I have lost my Original Admit Card of Class-XI (Science) Examination, bearing Roll No. 9647 of 2016 issued by COHSEM, on the way from Babupara to Keishampat on 5/11/2017.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Nandeibam Robinson Singh**
Keishampat Konjeng Hajari Leikai,
Imphal West, Manipur ☎ **8794759259**

HL-P/4718/9

## ꯕꯦꯡꯛ ꯄꯥꯁꯕꯨꯛ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯆꯦꯛ ꯕꯨꯛ ꯀꯥꯡ
## BANK PASSBOOK & CHEQUE BOOK LOST

I have lost my Bank Passbook and Cheque Book issued by State Bank of India, Moirang Branch bearing Account No. 20395891654, on the way from Thanga to Moirang on 3/11/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Ningthoujam Inaoba Singh**
Thanga Salam Leikai
☎ **8787518204**

HL-P/3028/9

## ꯀꯥꯡ/DOCUMENT LOST

I have lost my Original Marksheet, Admit Card & Registration Certificate of HSLC Examination, bearing Roll No. 2649 of 2010 issued by BOSEM and Original Marksheet, Admit Card & Registration Certificate of Hr. Sec. Examination, bearing Roll No. 9349 of 2012 issued by COHSEM, on the way from Lamlai to Seijang on 23/10/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Okram Kanandkumar Meitei**
Seijang Awang Leikai
☎ **8794822483**

HL-P/3029/9

## ꯇꯥꯍꯧꯔꯦ/ পেন্সন বুক তাহৌরে

হৌখিবা ওগষ্টকী তাং ১৭ কী নুংথিল পুং ৩ দগী পুং ৫ ফাওবগী মনুংদা ইম্ফালদগী নম্বোল ফাওবগী লম্বীদা পেন্সন বুক অমা তাহৌরে। পেন্সন বুক অদুগী নম্বরনা PPO No. 21484 (A.G. Office) নি। কনাগুম্বনা খুনবীরবদি মখাগী লৈফম অসিদা নৎত্রগা মোবাইল নম্বর অসিদা পাউ পীবীরক্লবা নীংশিংজরি। অৱামল তৌজগনি।

*Sd/-* **Y. Menjor Singh**
Nambol Kha Jiri ☎ **8014880807**

HL-P/4717/9

## ꯃꯣꯕꯥꯏꯜ ꯐꯣꯟꯗ/মোবাইল ফোনদা কিহল্লকপশিংদা খঙহঞ্জবা

হৌখিবা তাং ৬, নুমিদাংগী পুং ৭:৪১ রোম তাবদা শকখঙদবা মোবাইল নম্বর অমদগী ঐগী ভারা কাদা লৈবা K.S.A. গী ওফিস অসি তান্থোকখো নৎত্রবদি মৈহৌ-লাংপোক থোকহনগনি হায়না কিহনবীরক্লে। K.S.A. দা ওফিস হোঙদোক্লবা হায়রুবদা করম্বা Ground rule দা হায়রিবনো হায়দুনা ঐঙোনদা ওনশিল্লক্লে। ঐদি চুম্না মীয়াম্না তৌনবগুম কা ভারা শাল্লগা অপীকপা ইচা শেমজরিবনি। মরম অদুনা কিহনবীরক্লিবা মীওইশিংগা K.S.A গা পাউ ফাওনবিদুনা কনাদসু কায়জদনা হিংজরিবা ঐগী অৱাবা অসি কোকহনবীয়ু অমদি মতুংদা অকি-অখঙগী ফোন তৌবীরক্কনু।

*হায়জরিবা ঃ* **T. Motilal**
***Konjeng Hajari Leikai***

HL-P/4716/9


## OFFICE OF THE DEAN OF STUDENTS' WELFARE
## MANIPUR UNIVERSITY
## CANCHIPUR, IMPHAL

### NOTICE

Dated, the 7th November, 2017

**No.MU/DS/MUICYF/2017/194:** It is hereby informed to all the concerned that the XXXI Manipur University Inter-College Youth Festival, 2017 will be held during November 18-20, 2017 at the premises of the Manipur University in the cultural events of MUSIC, DANCE, THEATRE, FINE ARTS AND LITERARY EVENTS.

All the interested Colleges/Institutions are requested kindly to collect Entry Form from the Office of the Dean of Students' Welfare on or before 14th November, 2017 and last date of submission of duly filled in Entry Form is 16th November, 2017. Entry Form can also be downloaded from the University website **www.manipuruniv.ac.in.** Detailed information can be had from the Office of the Dean of Students' Welfare during office hours.

*Sd/-* **Y. Rashini Devi**
*Asst. Registrar*

HL-B/4206/9

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯏꯟꯁꯇꯤꯇ꯭ꯌꯨꯠ ꯑꯣꯐ ꯇꯦꯀꯅꯣꯂꯣꯖꯤ
मणिपुर इंस्टिट्यूट ऑफ टेक्नोलॉजी
**MANIPUR INSTITUTE OF TECHNOLOGY**
*(A Constituent College of Manipur University)*
**TAKYELPAT, IMPHAL – 795 004 : MANIPUR**

### N O T I C E

Imphal, the 8th November 2017

No.10/2/2016(PMKVY)-MIT: 477 Applications on plain paper are invited from interested candidates for the following Skill Development Training Programmes under Pradhan Mantri Kaushal Vikash Yojana (PMKVY) for the academic year 2017-18.

| Sl.No. | Sector | Name of Training Programme (Specialisation) | Minimum Qualification |
|---|---|---|---|
| 1. | Electronics | IT Coordinator in school | Diploma polytechnic in EC/CS/IT/EE |
| 2. | Construction | Mason Concrete | Preferably 5th standard |
| 3. | Electronics | Test and Repair Technician | ITI |
| 4. | Construction | Reinforcement Fitter | Preferably 8th standard |

The last date of submission of Applications with supporting documents (if any) to the undersigned is **18th November 2017**.

*Sd/-* Prof. R.K. Hemakumar Singh
Principal i/c,
Manipur Institute of Technology
Takyelpat, Imphal.

HL-B/4205/9